# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 03-05-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) রাজ্য অসিদা হৌজিক থোক্লিবা ৱাথোকশিং চহি অহুম মপুং ফারকপগা মরী লৈননা কোকোমিনা শিন্দুনা ঙসি মীয়ামগী মীফম অমা পাঙথোক্কনি।

২) শান্তিগীদমক তুংগী মায়ওন শেম্বা হায়বা হিরমদা ৱার্ল্ড প্রেস ডেগী থৌরম মণিপুরদসু ঙসি পাঙথোক্কনি।

অমসুং

৩) য়ুনিয়ন তেরিতোরি পুদুচেরি য়াওনা রাজ্য মরিগী ভোৎ মশিং হয়েং থিরগনি।

নোংচুপ বেঙ্গলগী পোল্লিং ষ্টেসন ২৮৫ দা অমুক হন্না ভোৎ থাদনবা ইলেক্সন কম্মিসন্না খঙহনখ্রে।

**------**

কোকোমি (এল)ঃ কোওর্দিনেতি কমিতি ওন মণিপুর ইন্তিগ্রিতি (কোকোমি)না শিন্দুনা মণিপুরদা হৌজিক থোক্লিবা ৱাথোকশিং চহি অহুম মপুং ফারকপগা মরী লৈননা মীয়ামগী ওইবা মীফম অমা ঙসি পাঙথোক্কনি। ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাং লিলা শঙলেনদা নোংমগী ওইবা মীয়ামগী মীফম অসিদা চহি অহুম শুজিল্লক্কবা মণিপুরগী ৱাথোক অসি লোইশিন্নবা অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা করি থবক লৌখৎপা য়াবগে হায়বদু খন্নগনি।

কোকোমিগী কনভেনর ৱাই.কে. ধিরেন্না চেয়ারমেন অমদি ইম্ফাল কলেজগী পোলিতিকেল সাইন্সকী রিটায়ার্দ হেদ এ.কে. শিতলজিৎনা মোদরেতর

ওইদুনা পাঙথোক্কদবা  মীফম অসিদা তোঙান তোঙানবা লমশিংদগী লাকপা মীওইশিংনা ৱা ঙাংগনি। নুমিদাংগী মতমদা মণিপুরগী ইরাং অসিনা মরম ওইদুনা লৈখিদ্রবশিংগী মফমদা কংলাগী নোংপোক থংবা শরুক্তা মৈরা কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎকনি। রিলিফ কেম্পশিংদসু ইরাং অসিগী মনুংদা লৈখিদ্রবশিংগী মফমদা লৈ কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎপগী থৌরমশিং পাঙথোকবগীদমক্তসু শেম শান্নরি।

কোকোমিনা শিন্দুনা ঙসি পাঙথোক্কদৌরিবা মীফম অমসুং ইকায় খুমবা উৎপগী থৌরম অসিগা মরী লৈননা ইম্ফালগী খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা মী লাকপগী চাং মহৌশাদগী হন্তুরে। জিলা অমগা জিলা অমগা ফাওনবা গাড়িশিং চেনবগী চাংসু হন্তুরে।

ফোক্স (এল)ঃ     অহুম্লকসুবা থার্দ মে নিংশিং নুমিৎকী থৌরম ফেদরেসন ওফ সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসন (ফোক্স) মণিপুরনা শিন্দুনা ঙসি ইম্ফালগী জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদমিগী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোক্কনি। থৌরম অসিগী হিরমনা ব্রিজিং দিভাইদ ফোর এ সিয়ার ফ্যুচর হায়বসিনি। থৌরম অসিদা ফোক্সকী এক্তিং প্রসিদেন্ট বি.এম. য়াইমা সাহ য়াওনা তোঙান তোঙানবা সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনশিংগী মীহুৎশিং শরুক য়াগনি। থৌরম অসিদা ওরিয়েন্তেল কলেজ ইম্ফালগী হিষ্ট্রি দিপার্টমেন্ট এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার ওইনাম দনিয়েলনা রিছোস পার্সন ওইনা ৱা ঙাংগনি।

ডে (এল)ঃ     ৱার্ল্ড প্রেস ডেগী থৌরম ঙসি পাঙথোক্লি। রাজ্যগী দাইরেক্তোরেট ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ পাব্লিক রিলেসন্সনা ওল মণিপুর ৱার্কিং জরনেলিষ্ট য়ুনিয়ন (অমজ) অমসুং ইদিটরস গিল্ড মণিপুরনা শিন্দুনা নুমিৎ অসি পাঙথোক্কনি। শান্তিগীদমক তুংগী মায়ওন শেম্বা হায়বা হিরমদা দি.আই.পি.আরগী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরমদা আই.পি.আরগী দাইরেক্তর ডাঃ টি.ঐচ. চরনজিৎ সিংহ, অমজগী প্রসিদেন্ট অশেম ভক্তা অমসুং ইদিটরস গিল্ড মণিপুরগী প্রসিদেন্ট খোগেন্দ্র খোমদ্রাম শরুক য়াগনি।

সহিত্য থৌপাং লুপ (সাথৌ লুপ)না শিন্দুনা নুমিৎ অসি ইম্ফালগী মেজোর খুলদা লৈবা মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোক্কনি। থৌরম অসিগা মরী লৈননা শাথৌ লুপনা চহি খুদিংগী পীবা থিয়াম প্রেমকুমার এৱার্দ ২০২৬ কুমশি চহিগী ওইনা শকাইরবা জরনেলিষ্ট অমসুং সনালৈবাক পাউচেগী জোইন্ট ইদিটর নেপ্রম কৃষ্ণমোহনদা পীরগনি। মনা অসিদা শেল ওইনা লুপা লিশিং ১০, সাইতেসন অমা অমসুং সোল অমা য়াওরি।

পুলিস (এল)ঃ রাজ্য অসিদা সেক্যুরিতি ফোর্সকী মাইকৈদগী আইন কায়বা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবগীদমক এরিয়া দোমিনেসনগী থবক য়াওনা অকনবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎলি।

মণিপুর পুলিস কন্ত্রোলরুমগী পাউনা হায়- সেক্যুরিতি ফোর্সনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থি হুম্বগী থবক চথবদা আই.ই.দি য়াওনা খুৎশু খুৎলায় অমসুং কানি ফারে।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী থৌবাল পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা হেঞ্জাং ভিলেজ এরিয়াদা থি হুম্বগী থবক চথবদা কিলোগ্রাম ৯ লোম লুম্বা আই.ই.দি য়াওনা তুয়েল্ব বোর রাইফল অমা অমসুং সভেন পোইন্ট সিক্স টু এম.এমগী কাপ্পা য়ারিবা মরু ৫ ফাখি। জিলা অসিমক্কী অন্দ্রো পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা মোবাইল চ্যেক পোষ্টতা মোবাইল চ্যেক্কিং চথবদা নুপী অমদগী কিলোগ্রাম ৫ মখায়রোম হেনবা কানি ফারে।

ককচিং জিলাগী ৱাইখোং পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা ইন্দো বরমা-শুগনু রোডকী থোংজাউ ময়াই লৈকাই এরিয়াদগী ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলুপ প্রিপাক (প্রো)গী নুপী এক্তিভ কেদর অমা ফারে।

অমরোমদা, নেসনেল হাইৱে ৩৭ ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীগী জিরিঘাৎ গেটতগী ৩৮ সুবা অসাম রাহফলস অমসুং জিরিঘাৎ পুলিস ষ্টেসনগী অপুনবা কাংবু অমনা থি হুম্বগী থবক চথবদা কৈথেলগী লুপা কোতি ১ রোমগী শেনফম ওইগদবা দব্লিউ.ৱাই টেব্লেৎ কিলোগ্রাম ১ রোম হেন্না ফারে। পোৎলমশিং অদু লম্বী অসিদা আইন্না য়াদবা মওংদা নার্কোটিক্স পোৎলমশিং পুথোক পুশিন তৌরে

হায়বা পাউ ফংবদগী জিরিঘাৎ গেটতা অচৎ অওকশিং চ্যেক তৌবদা পোৎলমশিং অদু মীওই অনিদগী ফাখিবনি। ফারবা মীওই অনি অদু এন.দি.পি.এস এক্টকী মখাদা আইনগী ওইবা মখা তাবা থবকশিং পায়খৎলগনি হায়রি।

মীখল ঃ  যুনিয়ন তেরিতোরি পুদুচেরি য়াওনা অসাম, কেরলম, তমিলনাদু অমসুং নোংচুপ বেঙ্গলগী ভোৎ মশিং হয়েং থিরগনি। ভোৎ মশিং থিফমশিংদা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলে। ইলেক্সন কম্মিসন্না নোংচুপ বেঙ্গলগীদমক অহেনবা কাউন্তিং ওবজার্ভর অমসুং পুলিস ওবজার্ভর থাজিনখ্রে। কাউন্তিং ওবজার্ভর ১৬৫ অমসুং পুলিস ওবজার্ভর ৭৭ না ভোৎ মশিং থীবগী থবকশিং য়েংশিনখি।

মরক অসিদা, নোংচুপ বেঙ্গলগী ফালতা বিধান সভা কেন্দ্রগী পোল্লিং ষ্টেসন ২৮৫ দা অমুক হন্না ভোৎ থাদনবা ইলেক্সন কম্মিসন্না লাউথোকখ্রে। হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ভোৎ থাদনখিবা অদুদা ফালতা বিধান সভা কেন্দ্রগী পোল্লিং ষ্টেসনশিং অসিদা অরানবা কয়া তৌবগী রিপোর্ট মরী লৈনবা ওফিসিয়েলশিংনা পীখৎলকপদগী ইলেক্সন কম্মিসন্না অমুক হন্না ভোৎ থাদনবা ৱারেপ লৌখিবনি। ভোৎ থা অসিগী ২১ দা থাদনরগা, থা অসিগী ২৪ মশিং থীগনি।

ঙরাং সাউথ ত্বেন্তিফোর পরগনাজ জিলাগী পোল্লিং বুথ ১৫ দা অমুক হন্না ভোৎ থাদনখিবা অদুদা ভোৎ থাদবগী চাং চাদা ৯০ ওইখি।

নোং (এল)ঃ   ইন্দিয়া মেতিওরোজিকেল দিপার্টমেন্টনা হায়রি- মণিপুর য়াওনা অৱাং নোংপোক রাজ্যগী মফম কয়াদা ঙসি পাক্তকনা নোং কন্না চুগনি। বিভাগ অসিনা লৈবাক্কী কোনুং দিল্লিদা লাক্লিবা নুমিৎ নিনি অসিদা অকনবা নুংশিৎ য়াওনা অখাক অরাউগা লোয়ননা নোং চুগনি হায়না য়েল্লো এলার্ট লাউথোকখ্রে।

ইন্দিয়া মেতিওরোজিকেল দিপার্টমেন্ট, ইম্ফাল রিজনেল সেন্তরগী পাউ মতুংইন্না তমেংলোং, সেনাপতি, উখ্রুলগী মফম কয়াদা ঙসি নুংশিৎ য়াওনা অকনবা নোং চুগনি। রাজ্য অসিগী অতৈ জিলাশিংদনা পারপ্তুগী ময়াই ওইরপ নোং চুগনি হায়রি।

নিট ঃ মেদিকেল তমবগীদমক নেসনেল ইলিজিবিলিতি কম এন্ত্রান্স টেষ্ট (নিট) য়ু.জিগী পরিক্ষা ঙসি লৈবাক শিনবা থুংবদা পাঙথোক্কনি। পরিক্ষা অসি নুংথিল পুং ২ দগী হৌরগা নুংথিল পুং ৫ দা লোইশিনগনি। নিট য়ু.জি পরিক্ষা অসি ইং কুমজা ২০১৯ দগী নেসনেল টেষ্টিং এজেন্সিনা পাঙথোক্কুনা লাকপনি।

কুমশিগী নিট পরিক্ষা অসিদা পুন্না মহৈরোই লাখ ২২ লিশিং ৭৯,৭৪৩ না শরুক য়াগনি। মসিগী মনুংদা নুপী কেন্দিদেটনা লাখ ১৩ লিশিং ৩২,৯২৮ নি। অদুগা নুপা কেন্দিদেটনা লাখ ৯ লিশিং ৪৬,৮১৫ নি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

কুকি সু গ্রুপশিংগা সেন্তরগা ৱারী শান্নখিবগী পাউ, ত্রোংলাউবী থৌদোক্তা লৈখ্রিদবা অঙাং অনিগী হকচাং লৌখিবগী পাউনা য়াওনা তোঙান তোঙানবা পাউশিংনা ঙসি মণিপুরদা ফোংবা পাউচেশিংগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংনরি। পাউশিং অসি শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুর অমসুং ইংলিস ইদিসন, পোকফম, পিপলস ক্রোনিকল, নহারোলগী থৌদাং, সনালৈবাক, হুইয়েন লানপাউ অমসুং মণিপুর মেল য়াওনা পাউচে অয়াম্বগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

কুকি সু গ্রুপশিংগা সেন্তরনা সুগী ৱারী মখা চত্থখ্রে, য়ুনিয়ন তেরিতোরিশিংগী ৱাফম পুখৎখি হায়বা পাউ অমদি ১৯৫১ গী সেন্সসতা এন.আর.সিগী লুপা লিশিং ২,১৯৪ পীখি হায়বসিনা শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনগী অহানবা অমসুং অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

কুকি সু গ্রুপশিংগা সেন্তরগা ৱারী শান্নখিবগী পাউ অসি শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসন য়াওনা পাউচে অয়াম্বদা তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংনরি।

ত্রোংলাউবীগী তমথিরবা থৌদোক্তা লৈখিদ্রবা অঙাং অনিগী হকচাং লৈরোল চনখ্রে হায়বসিনা পোকফম পাউচেগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি পিপলস ক্রোনিকল য়াওনা পাউচে অয়াম্বগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

এন.আর.সি তৌদ্রগদি অশেংবা সিতিজনশিংগী সিভিল, সোসিয়েল অমদি পোলিতিকেল রাইট মাংলক্কনি হায়না এম.পি. অঙোমচা বিমোলনা ফোংদোকখিবা ৱাফম নহারোলগী থৌদাং পাউচেগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। উখ্রুল দিষ্ট্রিক্তা নোংমৈ কাপবা লেপত্রি হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিমক্কী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

চীংগী লমশিং মণিপুরগী নিংথৌগী মখাদা লৈরমদে হায়বা য়ু.পি.এফ-কে.এন.ওগী ৱাফম অমদি কোতুনা সেপরেসন ডে, থাদৌ ইনপিনা পিছ ডে পাঙথোক্কদৌরি হায়বা পাউ অমসু সনালৈবাক পাউচেগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

চুরাচান্দপুর অমসুং মিজোরম ফাওনবা থোং তৎলে হায়বা পাউ অমসু হুসয়েন লানপাউগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

পান্থোইবী নত্যা মন্দিরগী ফাউন্দেসন ডেগী থৌরমদা চীফ মিনিষ্টর শরুক য়াখ্রে হায়বসিনা মণিপুর মেলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

------